
# হীদাক কান্নরবা পাম্বীশিং ঃ উহন-নাশাংবী

— ডা. হুইদ্রোম বীরকুমার সিংহ —
সী এস আই আর ঃ নোর্থ ইষ্ট ইনষ্টিট্যুট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, লম্ফেলপাৎ





উহন-নাশাংবীগী মরা অদু শুগাইরগা তৈবদা র‍্যুমেটিজম হায়রিবা তাং চাওথোক্তুনা চীকপা-নাবা অসি ফহনবা ঙম্মী

***উহন-নাশাংবী*** অদুগা উয়াংগন হায়না খঙনবা ফুট ৫ ফাওবা ৱাংবা পাম্বী অসি ময়াম্না থোইদোক্না থৌশান্নদ্রবসু মসিনা মীওইবদা পীবা কান্নবশিং অদুদি থোইদোক্না শিংথানিংঙাই ওই। উহন-নাশাংবী পাম্বী অসি ইংলিসতা এরোলিফ সাইদা (Arrowleaf sida) নৎত্রগা রোম্বস লিফ সাইদা (Rhombus leaf sida) নৎত্রগা পেদিজ লুসর্ন (Paddy's lucerne) নৎত্রগা জেল্লি-লিফ (Jelly leaf) নৎত্রগা করিগুম্বা কান্দা ক্যুবান জুট (Cuban jute) নৎত্রগা কুইন্সলেন্দ হেম্প (Queensland hemp) নৎত্রগা ইন্দিয়ান হেম্প (Indian hemp) হায়না কৌনৈ। হেম্প হায়বদি গঞ্জা পাম্বী হায়বনি অদুবু উহন-নাশাংবী পাম্বী অসিদি গঞ্জা পাম্বীগদি শাগৈ ফাওবা খেন্নৈ। উহন-নাশাংবী পাম্বী অসি সংস্কৃটতা অতিবলা (Atibala), হিন্দিদা লালবেরেলা (Lalberela), সাইন্টিফিক নৎত্রগা বোটানিকেলগী ওইবা মমিংদা *সাইদা রোম্বিফোলিয়া (Sida rhombifolia Linn.)* নৎত্রগা *সাইদা মাইক্রোফাইলা (Sida microphylla Cav.)* নৎত্রগা *মালভা রোম্বিফোলিয়া (Malva rhombifolia Linn.)* হায়না কৌই অমসুং জুবাকুশুমগী শাগৈ হায়বদি *মালভেসী (Malvaceae)* দা চল্লি।

উহন-নাশাংবী পাম্বী অসি খরা শারপ তৌবা ত্রোপীক অমসুং সব-ত্রোপীক মরুওইনা ন্যু ৱর্ল্ড (New world) শিংদগী হৌরকখিবনি হায়না পাউদমলি। পাম্বী অসি ইন্দিয়াদগীসু হৌরকফম ওই। ঙসিদি পাম্বী অসি মালেমগী অয়াম্বা মফমশিংদা মরাং কায়না হৌবগী পাউদমশিং লৈ। পাম্বী অসি চহী ১ দগী ৪ ফাওবা পুনশি। পাম্বীগী মখোক অসি উগুম্না কল্লি অমসুং উগী মকু অদু লিমোনগুম্না য়াম্না উয়। উহন-নাশাংবী পাম্বীগী মপাল অসি পেটেল ৫ পান্দুনা খৃৎনাওবীমুক চাওই অমসুং হঙ্গাম মপান চংলপ কোমলা মচু মাল্লি।

ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদদি উহন-নাশাংবী পাম্বী অসি লম্বী অমদি শরক্কী নাক-য়েত্তা, লৌরি, খোংবানগী নাক-য়েত্তা, শান্নবুং অমসুং শঞ্জাবুংগী মতাইদা য়াম্না তোয়না হৌবা থেংনৈ। পাম্বী অসি শা-ষণনা চাদবা মরম্না শনজাবুংশিংদা মরাং কায়না হৌগল্লি। উখা-ৱাখাশিংদসু য়াম্না চুশিন্ননা পাম্বী অসি হৌবা ঙম্মী।

উহন-নাশাংবী পাম্বী অসি মীওইবদা য়াম্না কান্নবা পীবা পাম্বীশিংগী মনুংদা অমনি। ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদদি উহন-নাশাংবী পাম্বী অসি ফজনা কংহল্লবা মতুংদা মনা অদু কনথোকখ্রগা মপুন পুন্দুনা লম-তু শেংনবা শুমজিৎ অমা ওইনা শীজিন্নৈ। পাম্বী অসি খরা কাপচরবসু শীং ওইনা থানৈ। উহন-নাশাংবীগী অকংবা মনা অসি নিংথমথাগী মতমদা য়েনাওশিং ইংদনবগীদমক্তা লৈমায়দা থাদুনা শীজিন্নবা য়াই। মনা অসি অফবা মখলগী হার শেম্বা য়াই।

উহন-নাশাংবী পাম্বী অসি অয়ুর্বেদিক্কী অনা লায়েংদা শীজিন্নবগী পাউদমশিং লৈ অমসুং মসিবু কুরুমথোতি (Kurumthotti) হায়না কৌই। পাউদম অমগী মতুং ইন্না উহন-নাশাংবী পাম্বীগী মনাদা য়াওবা চীঞ্জাক্কী ওইবা মগুণশিং অসি প্রোতিন (94,000 to 4,75,000 ppm), ফাইবর (33,000 to 1,67,000 ppm), ফেট (14,000 to 71,000 ppm) অমসুং এস (16,000 to 81,000 ppm) অসিনি। পাম্বী অসিগী মরাদা অলকালোইদশিং 450 ppm য়াওবগী পাউদমসু লৈ। পাম্বী অসিগী মরাদা য়াওবা খ্বাইদগী মরুওইবা মচলদি ইফেদ্রিন (Ephedrine) অমসুং সেপোনিন (Saponin) অসিনি। অতোপ্পা পাউদম অমগী মতুংইন্না উহন-নাশাংবী পাম্বীগী মরাদা কোলিন (Choline), স্যুদোইফেদ্রিন (Pseudoephedrine), বিটা-ফেনেথাইলামিন (beta-phenethylamine), ভেসসিন (Vascin), হিপাফোরিন (hipaphorine) অমসুং ইন্দোল অলকালোইদশিং (Indole alkaloids) অসি চাদা ০.১ গী চাংদা য়াওই হায়রি।

ইন্দিয়াগী মফম কয়ামরুমদা উহন-নাশাংবী পাম্বীগী মনা অসি শুগাইদুনা শেম্বা মলম অসি চাং নাইনা তৈদুনা অপোম অতং তৌবা অসি লায়েংনৈ। পাম্বী অসিগী মহৈ অসি শুগাইরগা লৌবা মহী অদু তৈবদা কোক চীকপা অমদি অরুম-লাইহৌ তৌবা অসি শিংথানীংঙাই ওইনা হন্থহনবা ঙম্মী। পাম্বী শুগাইদুনা লৌবা নাং-নাং লাওবা মহী অসি তৈবদা উনশা থোৎতোকহনবতা নত্তনা হাক্কচবসু ফহনবা ঙম্মী হায়বগী পাউদমসু লৈ। উহন-নাশাংবীগী মরা অদু শুগাইরগা তৈবদা র‍্যুমেটিজম (Rheumatism) হায়রিবা তাং চাওথোক্তুনা চীকপা-নাবা অসি শিংথানিংঙাই ওইনা ফহনবা ঙম্মী হায়না পেরোতা হায়রিবা বিজ্ঞানিক অসিনা কুমজা ২০০১ দা পাউদমখি। ওষ্ট্রেলিয়াগী মীওই কাঙলুপ খরনা উহন-নাশাংবী মনা শুগাইরগা ঈশিং খরগা পীথক্তুনা খোং হামথবগী লায়না অসি লায়েংনৈ। মেক্সিকোদদি উহন-নাশাংবী মনা অসি বিরি কোন্দুনা থক্লে। ইন্দিয়াগী মফম খরদা পাম্বী অসিগী মনা অসি চা লোন্দুনা থক্লবগী পাউদম লৈ।

# অৱা চৈথেংদগী নাথৈরসি

এম থম্বৌ সিংহ

**মালেম** ইমাগী তম্পাক্তা লৈরিবা জীবশিংবু শেল্লকপদা পি-পা অনীনা শেম্বা জীব পূম্নমক অসিগী মথংদা অমা মথং মথং চাদা নাওদা তারক্তুনা জীব খুদিংগী তুংনফম ওইরিবনি। অসুম্না তাইবঙ শেল্লকপদা ফি শেৎপা হৈত্রিঙৈদা খ্বাইদগী মরুওইবা চঙদবা য়াদবা মচাক ওইরম্বা অসি শুপ্ন গী থক্লবা ঈশিং, চানবা অফং অফংবা চিঞ্জাক অসিনি। অদুগী মতুংদা ফি শেৎপা হৈরকপা, অমুনবা পোৎ চানবা মৈ শীজিন্নবা হৈরকপা ময়াম অমা লাকপা অসি থাক খরা ৱাংখৎলকপগী খুদমনি। মথংদা অফং অফংবা ঈশিং থকপদগী অফবা অরুবা ঈশিং থক্লবা হোৎনরকপা, চুম্ন গী হকচাং কুপশিনবখক্কী নত্তনা অরুবা অহেনবা ফজবা ফিরোল শীজিন্নবা পাম্লকপা, চানবা চিঞ্জাক্তা হিংনবা চাবা নত্তনা অফবা হকচাংদা মচি ওইবা থাক ৱাংবা চানবা হোৎনবা অসিনি। অসুম্না চাওখৎপা নুংঙাইবা পুন্সি মহিং অমা লাক্লবা হোৎনরকই। মসিদা ইশাগী লৈজদ্রবসু অতোপ্পা লমগী মতেং লৌনবা হোৎনরকই। মতাং অসিদা ঐখোয়না খন্থগদবসি ঐখোয়গী হৈশিংবনা অমদি কন্না হোৎনবনা অনৌ অনৌবা পুন্সি মহিংগী মচাক কয়া ইশা ইশাগী অঙম্বা থাক্তা হোৎনদুনা পুরকপা অৱাংবা থাক্কী পুন্সি মহিংদা মীপান তাংদবনা অৱাবা থোইনা লৈরোই। অদু নৎতনা অৱাংবা থাক্তি পাম্বা ইশাগী হোৎনবা য়াওদনা মীগী মতেংনা ফংবা অৱাংবা থাক্কী পুন্সি মহিংদি অৱাবা নংগনি। অদুনা ঐখোয়না ঙসি মতম মতমগী ওইবা অৱাবা মায়োক্লরিবা মীপান তাংদ্রবদি ৱারমলোই। মসিনা মরম ওইরগা ঐখোয় পীক্লবা লমদম অমা ওইজরবসু ঐখোয় ঐখোয়না অঙম্বা থাক্তা হোৎনদুনা ইশাগী অমদি ইরমদমগী পোৎথোক্না মরুওইনা পুথোক্তুনা শীজিন্নবা, মীপান তাংলুদ্রবা মদুনা ফংলকপা অৱাংবা থাক্কী পুন্সি মহিংনা শান্তি ফংবা লমদম শোয়দনা ওইগনি।

ঐখোয়না ঙসি ৱারীবা অসিদি নুংঙাইবা অৱাংবা থাক্কী পুন্সি মহিং পাম্বনা ইশাগীদি লৈজদবা মপান লমগী মতেং লৌনবা হোৎনবা, মীরমগী পোৎনা ঐখোয়গী হিংবগী থাক ৱাংনবা হোৎনবা অসিদগী ঐখোয় মীখা পোনবনি। মীগী মতেংনা হিংগে খল্লবদি মতেং পীরিবা মীদুগী মখা পোনবা তারকই।

করিগুম্বদা মীদুনা মতেং পীরক্ত্রবা ঐখোয় তৌফম খঙদদুনা অৱাবা নংবা মশানা তাবনি। অদুননি ঐখোয়বু মীনা অমুক কোমথোকপা অমুক লাকশিনবা তৌদুনা ঐখোয়বু মতম মতমগী ৱাহল্লিবা অসি। ঐখোয়না ৱারিবা অসি ঐখোয়না ৱাহঞ্জবনি, মতেং নীবা তোকপগা লোয়ননা ইশাগী ইরমদমগী পোৎতমক শীজিন্নবদা থোইনা ৱারোই। অতোপ্পা জীবগুম্না ইশাগী অরৈবনা হিংজবা তমসি।

থুনা চাওখৎনিংমন্দুনা মীগী মতেং লৌবনা ঐখোয় অৱাবা য়াম্না মায়োক্লবা তারে। মতমগী মতুং ইন্না লৈঙাক পরিংদসু অহোংবা কয়া লাকই। পূম্নমক অসিদা করিগুম্বা মীখলগী মতম হেক লাকপা মতমদদি ঙসিগী পোলিটিকেল পার্টি কয়ানা অশোয়বা ময়াম পুথোক্লদুনা লুচিংবা পাম্নরকপদগী মখল মথেলগী ওইগদবা, ওইরোইদবা ময়াম পুথোরকপা পোলিটিক্সকী কাঙলোননি।

মসিগী থৌ পুরিবা কয়াগী লু তোংদা য়াওখ্রবা ব্লদ কেন্সরগুম অনৌবা ঈ শিল্লবসু মতম খরা লৈরগা অমুক হঞ্জিল্লকপগুম চুদুনা লৈখ্রবা ফগৎপা ঙমদনা মরা তাখ্রবা অমোৎপা কয়ানি।

শেঞ্জা থুমজা হুরানবা অমোৎপা কয়ানা হৈনবী অমা লৈখিবদগী মদুবু হোংদোক্লবা হোৎনবা হায়বসি অরুবা অমা ওইরবা ঙসিগী মীরোন্না অতোপ্পগী মমিং কোৎথোক্তুনা মশাগী মমিৎতা পানশিন্নবা হোৎনরকপা মতম অসিদা মীয়ামগী খনবা থম্মোয় শেংবা কৎথোকপা য়াওবা অৱা অনাগী খনবীবা মীনুংশি লৈনা থবক তৌবা কয়াদি ঙসিগী লমদম অসিদা য়াম্না তাঙনা থোক্লরে।

তশেংনা পোলিটিক্স তৌদুনা মীরেপ ওইগে খনবা মীওই খুদিং পৈশা তান্দুনা শেল থুম য়াম্না মরাং কায়না লৈরবা মীওইনা করবারগী মওংদা থোক্লরকপা ঙাক্তনি। মসিদগী ঐখোয়না য়াম্না চেকশিনবা মথৌ তাই।

মীচম মীয়াম ঐখোয়না মীখল ময়া য়ৌরকপদা য়াই কারবা ঙাগুম ইপঙ পঙথৈ। ঐখোয় পূম্নমক তুংগী লম্বী উবা য়াম্না ৱাৎলি। ইশা ইশাদা মাঙগদবা ঙাক্তা তৌনৈ। লুচিংবা কয়াগী ওইদবা পরেং ঙাক্তা তাদুনা লৈনৈ। মীখল লাকপা মতমদা অচৌবা কুহ্মৈ ওইনা খন্নদুনা ইশাগী হকপু মমল লৈতনা পিথোক্লে। অদুগা মীখল লোইখ্রবদা এম এল এ ফৈ ফত্তে হায়বনচিংবা কয়া অমা ঙাঙ-শক্লবা তৌনরকপা ঙাক্তনি।

মমাঙঙৈগী মতমদা লমদম অমগী লুচিংবা খনবদা মীয়াম্না খন্না নৈনদুনা অফবা মপুক শেংবা নিপা অমবু খনবগী চৎনবী লৈরম্মী। মদুনা লমদমদুগী লৈঙাকপদা শান্তি লৈনা ফজনা থম্বা ঙম্মী। মীয়ামগী থৌগল হায়বা অসিদা পার্টি ফবা ফত্তবা থোইনা লৈগদবা মান্দে।

মরম অসিনা হন্দক্কী মণিপুরগী অনৌবা লৈঙাক অমা লাকপসিদা কোংগ্রেস কয়া বি জে পি ওন্দুনা তোঙানবা তোপ তোপ্পা লৈঙাক অমগী আশা তৌদুনা মীচম মীয়ামগী পূক্নিং পেন্দবা অমফাওবা লৈহল্লরোই হায়বা ৱাফম, হৌখিবা লৈঙাক্না লোইশিনবা ঙমদনা লৈরম্লবা কয়া অদুগী মথক অনৌবা প্রোজেক্ট কয়া পুথোক্তুনা অমুক্তা থোকত্রিবা থৌশিল থৌরাং কয়াগী থবক থৌরম কয়া পায়খৎনবা লাউথোরকপা নিপা থোকপগী ৱাঙাঙনি হায়দবা য়ারোই।

মরু ওইবা ময়ামসিগী মনুংদা এদ্যুকেসন্দা অহেনবা মিৎয়েং থম্লকপা, লৈঙাক্কী থবক তৌরিবা কয়াগী মচা-মশু কয়া লৈঙাক্কী স্কুলদা তমহনগদবনি, মদু তমহন্দ্রবদি অকনবা দন্দি পীনবা লাউথোকখিবা মসিমক য়াম্না চুম্বা খোঙথাং অমনি হায়দবা য়ারোই।

মসিদা লৈবাক মীয়াম্নসু পুবা থাংবা ঙম্লোইদবা কয়াদি খরা খন্থবীদুনা লৈঙাকপশিংগী মকোক শানবা তৌরোইদবনি। মদুনা ঈহৌ কয়াদু তাইশিন্নবা হোৎনবদা চাওখৎপা অমদি মাংলোমদা চঙশিনবদা অচৌবা অপাম্বা পীদুনা চাওখৎ লম্বী মনিং হনগনি। অদুনা মরম চাদবা ফংবা য়ারোইদবা অদুগা লৈঙাক্না পীবা ঙম্বসু ওইদবা অদুগুম্বা ঈহৌদি হৌদবনা ফৈ হায়জনীংই।

অদুনা মীয়াম ঐখোয়না ঙক্লিবমখৈ মাংলোমদা চঙশিনবদা খোংলৌ পরৌ লৈতনা ঐখোয় খুদিং হোৎনদুনা হন্দক্কী লৈঙাকপশিং অসিগী থৌনা অমদি হৈশিংবা কয়াসি য়েংমিন্নবা মতমদু য়ৌরে।

অরোইবদা থমজনীংলিবা ৱাফমদি খুন্নাই অমা চাওখৎলকপদা তিঞ্জং কাইজংদবা নহা কয়াগী থৌদাং চঙই। মসি নহারোল কয়াবু মহৈ মশীন মতিক চানা হৈহনবা এদ্যুকেসন্দা অহেনবা মিৎয়েং চঙবীদুনা শোত্থনা লৈরবা লৈঙাক্কী অমদি এদেদ স্কুলশিং অসিগী অচৌবা থৌদাং কয়া লৌরক্কনি হায়বগী আশা চাউনা থমজরি।

## মরোল থোকপা লাই




## জাতক্কী শৈরোল

মৈতৈলোন্দা ইথোকপা : বি জয়ন্তকুমার শর্ম্মা



### কোক

কোক অনী পুরকই খন্দোক্লবা হায়দুনা;
অমনবু নুপীগী, নুপাগীনি অমনা।
মহাসদ্ধা লৌশিংবা ইরায় লায়না খন্দোক্লে;
'ময়ি চুমদ্রিং লৈবনা নুপাগীনি," হায়রক্লে।
'ময়ি খোয়দ্রিং খোয়দাংবা নুপীগীনি মদুনা।'
পাউ অসি নিংথৌদা তমখি খুঞ্জা ময়াম্না।
লৌশিংবগী মপাউদা পেঞ্জখরে নিংথৌদো
কল্লক চাউবা সেনাকা চাংয়েংখিনি হায়খিদো।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৫০

১। "বিশ্ব তাইবঙপানবনা কপ্না কপ্না লোইখিনি/নূংদা ইবা ঐখোয়না নোক্না নোক্না লৈহৌনি।" কবি কনানা হায়বনো?
২। "কোয়চেন চেল্লি ফি থোংদ্রবা/নুপীশিংনা/কোয়তাল তাল্লি ফিমু শেৎপা/নুপাশিংনা।" পরেংশিংসি 'মঙদসু তাইবঙদসু' কৌবা শৈরেং লাইরিক অমদগী লৌথোকপনি। কবি কনানা ইবনো?
৩। "পানখৎলকপা থাজ/থুনা শিদোক্তুনা/থাশি ওনখ্রি/মহাক খঙমাল্লে/মফমসিগী অতিয়া/অহিংবা লৈবা য়াদে।" পরেংশিংসিনা রঞ্জিতা কোন্থৌজমনা ইবা শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেং অদুগী মমিং হায়য়ু।
৪। প্রেমচন্দগী 'সপ্তসরোজ' বু মণিপুরীদা 'থম্বাল তরেৎ' হায়না হন্দোকখিবদু কনানো?
৫। নৈন-ৱারেং 'শৈরেংদসু ৱারেংদসু' হায়বদুগী অইবদু কনানো?

ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মে ৩০, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা খুদোলপোৎ পীজগনি।